# টামিল নাদুদা সাইক্লোন ওকখিগা লোয়নন অকনবা নোং চুবদগী ৪ শিরে, স্কুল কয়া থোঙ লোন্নখ্রে



চেন্নাই, নবেম্বর ৩০(এজেন্সী):
টামিল নাদুদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ সাইক্লোন ওকখিগা লোয়নন নোং কন্না চুবদগী মীওই ৪ শিরে। ষ্টেট অদুগী দিষ্ট্রিক্ট তরেৎতা স্কুল কয়া থোঙ লোন্নখ্রে।

বে ওফ বেঙ্গলদগী দিপ দিপ্রেসনগী মতুংদা সাইক্লোন ওকখি হায়না খঙনবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ শীৎপা হৌরকখি। টামিল নাদুগী খা থংবা ষ্টেটকী শরুক্তগী কিলোমিটর ৬০ রোম চৎলগা লৈবা মফমদগী সাইক্লোন অদু হৌরকখি। ৱেদর ওফিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়রি। দিষ্ট্রিক্ট তরেৎকী স্কুল কয়া থোঙ লোন্নখ্রে। টুথুকুদি, টিরুনেভেলি, কৈন্যকুমারী, বিরুধুনাগরগী স্কুল কয়াসু ছুটি থানখ্রে। টুথুকুদি অমদি কৈন্যকুমারীদদি অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা উ ফাওবা মরূ ফুক্তংলগা হুমদোকপা য়াওরি। লাক্কদৌরিবা পুং ২৪ চুপ্পা অকনবা নোং চুরবা য়াই হায়না ৱেদর ওফিসকী পাউনা হায়রি।

নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্সকী পার্সনেল ৬০ রোম্না শাবা টিম অনী টামিল নাদুগী কৈন্যকুমারীদা থাজিনখ্রে। মীওই ৪ শিবগী থৌদোক থোক্লিবা কৈন্যকুমারীগী মফম অদুদা নেসনেল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্সকী টিম অদু চঙশিনখ্রে। নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্সকী মীওই ৪৭ না শাবা অতোপ্পা টিম অমসু কেরলাগী কোচিদা লৈরি। লক্ষ্মাদ্বিপ মায়কৈদা করিগুম্বা খূদোংথীবা ফীভম লাকপদা মতেং পাংনবগীদমক নেসনল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্সকী টিম অসিনা থৌরাং তৌদুনা লৈরি।

টামিল নাদু অমদি সাউথ কেরলাদা লাক্কদৌরিবা পুং ২৪ অসিদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎকা লোয়নন নোং চুরবা য়াই হায়বা ফীভম লৈরি। পুংদা কিলোমিটর ৬৫ দগী ৭৫ ফাওবা য়াঙনা শীৎপা নোংলৈ নুংশিৎসু ষ্টেট অদুগী অৰাং থংবা শরুক খরদা শীৎলবা য়াই হায়না ইন্দিয়ন মিটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়রি।

চেন্নাইদসু অকনবা নোং ঙরাং নুমিদাং পুং ৮.৩০ রোম তাবদগী চুবা হৌখ্রে। ঙসি অয়ুক্তসু নোং চুরি। লক্ষ্মাদ্বিপ অমদি সাউথ কেরলাদসু নোং য়াম্না লৈরি। সাউথ কেরলা অমদি লক্ষ্মাদ্বিপ আইলেন্দদা পুংদা কিলোমিটর ৫৫ দগী ৭৫ ফাওবা শীৎকদবা নুংশিৎ লাক্কদৌরি হায়না পারি।

টামিল নাদু সাউথ কেরলা কোচ অমদি লক্ষ্মাদ্বিপ আইলেন্দগী শরুকশিংদা ঙা ফাবা মীওইশিং সমুদ্রদা থোক্তনবা খঙহনখ্রে। সমুদ্রগী ঈমায়দসু অকনবা ঈরৈ লাকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈরি। টামিল নাদু অমদি কেরলাদা অকনবা মওংদা নোং খাক-লাউবগী ওইথোকপসু লৈরি। অসাম, মেঘলায়া, নাগালেন্দ, মণিপুর, মিজোরাম অমদি ত্রিপুরাদা লৈচিল য়াম্না থানা লৈগনি হায়না ৱেদর ওফিসনা হায়রি।

টামিল নাদু, সাউথ কেরলা, লক্ষ্মাদ্বিপ, অন্দামন এন্দ নিকোবর আইলেন্দদা হয়েং অকনবা মওংদা নোং চুগনি হায়না ৱেদর ওফিসনা রিপোর্ট তৌরি।

কুমজা ২০১৫ দসু টামিল নাদুদা অচৌবা ঈচাও থোকখিবগা লোয়নন মশীং য়াম্লবা মীওই শিখিবা অমদি লন-থুম কয়া মাঙ তাকখিবগী থৌদোক থোকপা লৈখ্রে হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# দিল্লিনা ক্রাইম রেট খ্বাইদগী ৱাংবা সীটি ওইরে, রেপ কেসসু য়াম্না থোক্লি



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ৩০(এজেন্সী):
নেসনল ক্রাইম রেকোর্দ ব্যুরোনা ঙসি ফোঙখিবা দাটাগী মতুংইন্না মেজর সীটি ১৯গী মনুংদা দিল্লিনা খ্বাইদগী ক্রাইম থোকপগী চাং ৱাংবা সীটি ওইরে। রেপ কেস মশীং য়াম্না থোকপা মফম অমসু ওইরি।

নেসনল ক্রাইম রেকোর্দ ব্যুরোগী দাটা মতুংইন্না কুমজা ২০১৬ তা দিল্লিনা খ্বাইদগী ক্রাইম রেট ৱাংবা মফম ওইখি। রেপ কেস মশীং য়াম্না রিপোর্ট তৌবা মফমসু ওইখি। মী হাৎপা, কিদনেপ তৌবা, ফাবনচিংবা কয়াগী কেসশিংসু থোক্লি।

সীটি ১৯ দা পূন্না কেস ৪১,৭৬১ থোকপগী মনুংদা দিল্লিনা ১৩,৮০৩ কেস থোকখি। মসি চাদা ৩৩গী চাংনি। নেসনল কেপিটেল ওইরিবা দিল্লিদা রেপ কেস চাওরাক্লা চাদা ৪০ গী চাংদা রিপোর্ট তৌরি। দাওরিগা মরী লৈনবা মীশিশিংসু য়াওরি।

সীটি ১৯গী মনুংদা দিল্লিনা আই পি সী ক্রাইম রিপোর্ট চাদা ৩৮.৮ লোম ওইরি। বেঙ্গলুরুনা চাদা ৮.৯, মুম্বাইনা চাদা ৭.৭ লোম ওইরি।

নেসনল এভরেজদা য়েংলবসু দিল্লিদা ক্রাইম রেট অসি য়াম্না ৱাংনা চৎলি। স্পেসল এন্দ লোকল লোজ ক্রাইমদা চেন্নাইনা মশীং য়াম্না রিপোর্ট তৌরি। চাওরাক্লা চাদা ৩২.৯ লোম রিপোর্ট তৌরি। মসিগী হেক মথংদা কোচিনা চাদা ১২.৯, সুরটনা চাদা ১২.৬ রোম কুমজা ২০১৬গী মনুংদা রিপোর্ট তৌরি।

দিল্লিনা কিদনেপ্পিং এন্দ এবদক্সনগী মশীং খ্বাইদগী য়াম্না রিপোর্ট তৌরি। দিল্লিগী মথংদা মুম্বাইনা চাদা ১৬.৬, অদুগা বেঙ্গলুরুনা চাদা ৭.৮ গী চাংদা রিপোর্ট তৌদুনা মথং-মনাও ওইনা লৈরি।

ইকনমিক ওফেন্সকী কেসসু দিল্লিনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না রিপোর্ট তৌরি। দিল্লিগী হেক মথংদা জয়পুরনা কেস ৪,৭৪২ অমদি মুম্বাইনা ৪,১৯১ কেস লৈদুনা মথং-মনাও নাইনা লৈরি।

সাইবর ক্রাইমগী ওইনা মুম্বাইনা কেস মশীং খ্বাইদগী য়াম্না রিপোর্ট তৌরি। কুমজা ২০১৬ তা মেজর সীটি ১৯ গী মনুংদা সাইবর ক্রাইমগী খ্বাইদগী মশীং য়াম্না রিপোর্ট তৌবা সীটি অসি মুম্বাইনা ওইরি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# আধারনা বেনামি প্রোপর্টিগী মায়োক্তা থেংননবা খুৎলাই ওইগনি : মোদি



ন্যু দিল্লি, নবেম্বর ৩০ (এজেন্সী) :
য়ুনিক আইদেন্টিফিকেসন নম্বর, আধারনা বেনামি প্রোপর্টিগী মায়োক্তা থেংননবা অচৌবা খুৎলাই অমা ওইরগনি হায়না ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ন্যু দিল্লিদা হিন্দুষ্টান টাইম লীদরশিপ সম্মিট হৌদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকখিবদা, স্কোলরশিপ, পেন্সন, গভর্ণমেন্ট সবসিদিশিং লায়রবা মীয়ামদা নীংথিনা ফংহন্নবা হোৎনবদসু আধারনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। আধারনা মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা অহোংবা কয়া পুরকপদা মতেং পাংলি।

বেনামি প্রোপর্টিগী মায়োক্তা ফাইট তৌবদসু য়ুনিক আইদেন্টিফিকেসন নম্বর আধারনা অচৌবা খুৎলাই অমা ওইনা থবক তৌগনি। লায়রবা মীয়ামদা গভর্ণমেন্টকী সবসিদি নীংথিনা য়ৌহনবদসু আধারনা য়াম্না অচৌবা রোল অমা লৌরি।

আধারগা মোবাইলগা লিঙ্ক তৌবা অমদি জন ধন একাউন্ট হাংবগী থবকসু চঙশিল্লক্লি। মনিটরি ট্রাঞ্জেক্সনশিংদা টেক্নিকেল অমদি দিজিটেল ওইবা মওংদা চথুরকপা মতমদা শেঙ্গা থুমজা নীংথিনা চেক তৌবা ঙম্লগনি হায়নসু মখা তাখি।

ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ন্যু দিল্লিদা হিন্দুষ্টান টাইমস লীদরশিপ সমিট ২০১৭ হৌদোকপগী সেসনদা ৱা ঙাঙলদুনা মখা তানা হায়খি, মোবাইলগা আধারগা লিঙ্ক তৌবা অমদি জন ধন একাউন্ট হাংবা অসিনচিংবা থবক কয়া পায়খৎলকপগা লোয়নন অফবা সিষ্টেম অমদা লাক্লি।

হৌখিবা চহী খরা অসিদা অফবা মায়কৈদা অহোংবা লাক্লি। হান্না পেন্সনগী শেনফমগী মতাংদা ফেক একাউন্টনচিংবা কয়া লৈরম্বা অদু হৌজিক্তি আধার লাকপগা লোয়নন হৌখিবা চহী অহুম অসিদা অসিগুম্বা কয়া অসিদগী অহোংবা লাক্লি। আধারনা বেনামি প্রোপর্টিগী মায়োক্তসু থেংনবদা অচৌবা খুৎলায় অমা ওইরি।

লৈবাক অসিদা হৌজিক অহোংবা কয়া লাকপা ঙম্লে। অরানবা মওংদা শেল শীজিন্নবনচিংবা কয়া থিংনবগী মায়কৈদা চঙশিল্লক্লি। দিজিটেল অমদি টেক্নিকেল ওইবা মওংদা মনিটরি ট্রান্সজেক্সনশিং পায়খৎলক্লবদি শেঙ্গা-থুমজা চেক তৌবদা য়াম্না মাঙজিল থানা চঙশিনবা ঙম্লগনি।

হন্দক্তা য়ুনিয়ন হাউজিং মিনিষ্টর হর্দিপ সিংহ পুরিনা প্রোপর্টি ট্রান্সজেক্সনগী থবক তৌবা মতমদা আধার লিঙ্ক তৌগদবনি হায়বা ৱাফম অমসু ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# ৱেদরগী ফীভম ফত্তবনা রাহুল গান্ধীগী কেরলাগী খোঙচৎ য়ৈথোকখ্রে



ত্রিবানন্থপুরম, নবেম্বর ৩০ (এজেন্সী):
কোংগ্রেসকী ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা কেরলাদা ইরাই নুমিত্তা চৎনবা থৌরাং তৌরম্বা অদু ৱেদরগী ফীভম ফত্তবনা মরম ওইরদুনা য়ৈথোকখ্রে।

এজেন্সীগী পাউনা হায়, কেরলা এসেমব্লিগী ওপোজিসন লীদর রামেশ চেনিথালাগা লোয়নন চঙশিল্লকখিবা ষ্টেট শীন্থুংবা যাত্র লোইশিনবগী থৌরমদা রাহুল গান্ধীসু শরুক য়ানবগীদমক মতম লেপ্লম্বনি।

সমুদ্র মপানগী মফম অমদা রাহুল গান্ধীনা পব্লিক মিটিং অমদা ৱা ঙাঙনবগীদমক থৌরাং তৌরম্বনি। অদুবু ৱেদরগী ফীভম ফত্তবা অমদি সিক্যুরিটিগী ওইবা ফীভমনা মরম ওইরগা পোস্পোন্দ তৌখি। রাহুল গান্ধীনা লাক্লিবা ইরাই নুমিৎকী নুমিৎয়ুংবদা মফম অদুদা থুংগনি হায়না প্লান তৌরম্বনি। অদুবু কেরলাগী টিরুবানন্থপুরমদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎ অমদি নোং চুবনা মরম ওইরগা প্রোগ্রাম অদু য়ৈথোকখি। মফম অদুদা মখা তানা নোং চুরবা য়াই হায়বগী থাজবা লৈরি।

কোংগ্রেস ভাইস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা হয়েং কেরলাদা চৎতুনা মীফম অসিদা ৱা ঙাঙনবগীদমক থৌরাং পূন্বা তৌরুরবনি। থৌরম অদুদা শরুক য়ানবা থৌরাং পূন্বা তৌবা লোয়রবা মতুংদা মফম অদুগী ৱেদরগী ফীভম য়াম্না ফত্তবনা মরম ওইরগা য়াওবদা খূদোংচারোইদবা লৈবনা রাহুল গান্ধীগী খোঙচৎ অদু য়ৈথোকখিবনি হায়না রামেশ চেনিথালাগী ওফিসকী পাউনা হায়রি।

# জে এন্দ কেদা কাউন্টর ইন্সর্জেন্সি ওপরেসনদা টেররিষ্ট ২০০ হাৎখ্রে

শ্রীনগর, নবেম্বর ৩০ (এজেন্সী):
জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা চৎলিবা চহী কুমজা ২০১৭ তা কাউন্টর ইন্সর্জেন্সি ওপরেসনদা টেররিষ্ট ২০০গী মথক্তা হাৎখ্রে হায়না পুলিসকী রিপোর্টনা হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়, ইন্দিয়ন আর্মি, সী এ পি এফ অমসুং জম্মু এন্দ কাশ্মীর পুলিসকী অপূনবা সিক্যুরিটিশিংনা চথুরকপা কাউন্টর ইন্সর্জেন্সি ওপরেসনশিংদা কুমজা ২০১৭ অসিদা টেররিষ্ট ২০০গী মথক্তা হাৎপা ঙমখি হায়না দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিসনা হায়রি।

কাশ্মীরগী বদগাম অমদি বরামুলা দিষ্ট্রিক্টতা নোংমতদা তোঙান-তোঙানবা মফম অনীদা চথুখিবা এনকাউন্টরদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা টেররিষ্ট মঙা হাৎপা ঙমখি। মসিনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা ঈং-তপ্পা পুরকপগী মায়কৈদা লাক্লি।

কুমজা ২০১০ দগী হৌজিক ফাওবগী ওইনা পারকপদা চৎলিবা চহী অসিগী জান্যুৱারী ১ দগী হৌজিক ফাওবদা টেররিষ্ট ২০০গী মথক্তা সিক্যুরিটি ফোর্সনা হাৎপা ঙমখিবা অসিনা চহীগী ওইনা খ্বাইদগী মশীং য়াম্বা ওইরি হায়না সিক্যুরিটি ফোর্সকী মকোক থোংবশিংনা পীবা রিপোর্ট অমনা হায়রি।

কুমজা ২০১৬ তা সিক্যুরিটি ফোর্সনা লাইন ওফ কন্ট্রোল অমদি হিন্টরলেন্দ য়াওনা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদগী টেররিষ্ট ১৬৫ হাৎপা ঙমখি হায়নসু জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পুলিসকী পাউনা মখা তানা হায়রি।


## /BANK PASSBOOK LOST

I have lost my Bank Passbook of SBI, Porompat Branch bearing Account No. 33575249855, on the way between Wangkhei and Porompat on 25/11/2017. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/- Thoudam Nayantara*
*Moirangkhom Chingakham Leikai*
☎ 9856316650

HL-P/4767/1

## / ORIGINAL CERTIFICATE LOST

I have lost my Original Certificate of HSLC Examination, bearing Roll No. 6679 of 1988 issued by BOSEM, on the way from Uripok Bachaspati Leikai to D.C. Office, Imphal West on 10/11/2017. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

*Sd/- Laishram Sanjiba Singh*
Uripok Bachaspati Leikai

HL-P/3058/1

## ADVANCED COACHING INSTITUTE

Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road, opposit Koirengei auto parking Regd. No. : 729

*The Largest, Trusted & Premier Coaching Institute, Imphal in both Sc. & Arts*

TOPPERS OF COHSEM Sc. 2017

TOPPERS OF COHSEM ARTS 2017



2nd Position(Sc. 2017) R.K. Babysana

3rd Position(Sc.2017) VICTORIA

2nd Position (Arts) Guneshori

3rd Position(Arts) Dholenchandra

8th Position(Arts) Pebam Bruch

*Revision Course for class x (3rd batch) from 30th Nov.' 17*

REVISION COURSE FOR CLASS X (last batch) from 11th Dec. '17

Foundation course for class x (1st Batch) from 11th Dec. '17

*Revision Course for class xiiSc.(3rd batch) from30th Nov.*

REVISION COURSE FOR CLASS XII (Last) from 7th Dec.

*Foundation Course for class xii Sc(1st batch) from 14th Dec.*

FOUNDATION COUSE FOR CLASS XII ARTS FROM 2nd Jan.2018

REVISION COURSE FOR XII ARTS FROM 30th Nov.,7th

*Separated boys and girls hostels, van service, morning & evening batches*

Only 35 Students per class (Limitted seats) for details # 9862992105

Separated BOSEM, COHSEM & CBSE
Time : 4.30-7.40am/ 11am-4pm/4.30-7.30pm

HL-B/4226/25/11-20/1(Alt.)

## / ইঞ্চোলগা য়ুমগা কোন্ননা অথুবা মতমদা য়োঙ্গরি

"শ্রীশ্রী রাধা মদাপ মন্দির নিংথৌখোং" গী খা-থংবা মায়কৈদা Point 4 ওইবা লম্বীগা তায়নবা ইঞ্চোল অমসুং য়ুমগা লোয়নন অথুবা মতমদা য়োঙ্গরি। কনাগুম্বা পাম্বীবা মীওইনা মখাগী কন্টেক নম্বর অসিদা পাউ পীবীরক্কুবা খঙহঙ্গরি।

*Contact Numbers :*
☎ 7005388177 / 8974615394

HL-P/4766/1

## STAFF RECRUITMENT

Govt. of Manipur
*Regd No.:- 14/006/21/0696*

| | | | |
|---|---|---|---|
| **DIRECT JOIN MICROFINANCE** | | | |
| 1 Reception, Computer Operator | 15 | X-Above | 4500-Above |
| 2 Field Officer, Loan Collector | 27 | X-Above | 5000-Above |
| 3 Cashier ,Accountant | 8 | XII | 7000-Above |
| 4 Field Manager, Asst.Manager | 10 | Grad. | 10000-Above |
| **DISTRICT WISE VACANCY OF BANKING STAFF** | | | |
| 1 Account Sales Officer, Loan Officer, BDE | 26 | XII-Above | 12000-Above |
| 2 Operational Staff, Sitting Staff | 32 | Grad | 18000-Above |
| 3 Relationship Manager, Sales Manager | 13 | Grad | 20000-Above |
| **RESTAURANT, HOSPITAL ,SCHOOL & OFFICE STAFF** | | | |
| 1 Nurse, Lab.Technician | 27 | ------- | 4500-Above |
| 2 Waiter, Waitress | 15 | X-Above | 4000-Above |
| 3 Peon ,Cook, Chowkidar | 20 | XII | 5000-Above |
| 4 Data Entry, Attendant | 17 | X-Above | 5000-Above |
| 5 Driver, Grass Cutter | 25 | VIII | 5000-Above |
| 6 Gunman, Supervisor | 15 | VIII | 8000-Above |
| 7 Security, Helper | 35 | VIII | 5000-Above |
| **VARIOUS POST VACANCY FOR AIRPORT** | | | |
| 1 Flight Attendant, Cabin Crew | 12 | XII | 45000-Above |
| 2 Cargo Executive, CSA | 18 | Grad | 18000-Above |
| 3 Airport Plaza Staff, Retailer | 27 | X-Above | 15000-Above |
| 4 Ground Staff, VIP Lauge | 30 | XII | 12000-Above |
| 5 Air Ticketing, Air Anouncer | 31 | XII | 13000-Above |
| 6 Loader, Cleaner | 45 | XII | 8000-Above |

**JOB AT HOME** earn upto 10000 to 25000/- per month. (house-wife, Student, Employed, Unemployed can also apply)

*Last submission :- 02/12/2017* *Interview : 04/12/2017*

# 8575340288
# 7421843411

**Rivalry Guidance Centre**
Sagolband Thangapat

HL-P/079/23-31, 1 Dec.

## ADMISSION OPEN

1. Foundation Course for Class VI to X (BOSEM)
   - *Timing* : 4:10 p.m - 8:20 p.m
   - *Subject* : All Subject
2. Winter Camp for Class I to VIII
   - *Duration* : 2 months
   - *Timing* : 11 a.m to 2 p.m

Hurry!!! Limited Seat

*Fee* : ₹ 4000/- [ Instalment Basis Available]

10% Discount on Advance Payment

CAMP STARTS ON 5TH DEC., 2017

*Features* : Doctors' Advice, Tree Plantation, Public Speaking, Dustbin and Mate making, Yoga and Meditation, Indoor Games, Aerobic Exercise, Drawing and Painting, Stage Performance, Spoken English, Spoken Hindi, Meet the Stars, Origamy, Medical check-up and many exciting programmes

*For more information, pliz visit*

**TRIPLESUR COACHING CENTRE**

Thouda Bhabok Leikai, Near *Hueiyen Lanpao Press*
☎ 8794523940

HL-P/4227/21/11-5/12

## EDUCITY TUTORIALS

SAGOLBAND TERA TONGBRAM LEIRAK MACHIN, IMPHAL - 795004

**ADMISSION OPEN**

REVISION 2 MONTHS
CLASS X (MANIPUR BOARD)

CLASS STARTING :
10TH DECEMBER, 2017

LIMITED SEATS

VAN FACILITY

HOSTEL FEE :
@RS. 3500/- PER MONTH
BOYS & GIRLS

FOUNDATION COURSE
CLASS I TO X

CLASS STARTING ON
4TH JANUARY, 2018

SPECIAL FEATURES :-
- Q & A ANALYSIS
- Possible Suggestion
- Free & printed study materials to each students

10% DISCOUNT
for the student who secure 1st to 5th Position in their school

HL-P/3052/26/11-26/12

## The Imphal Urban Cooperative Bank Ltd.

Administrative Office, M.G.Avenue,Imphal

N O T I C E

Imphal, the 30th November 2017

Notice is hereby given to all existing shareholders of the Bank admitted upto 3-2-2016 that Group meeting as required under Clause No.31 of the By-Laws of the Bank will be held on Sunday, the 4th February 2018 at 10.00 A.M at the premises mentioned below for transaction of the following business:-

**ELECTION OF DELEGATES FOR EACH GROUP FOR THE TERM 2017-2018 TO 2021-2022**

1.Venue of Election - G. P.Women's College, Imphal.

2. The following programme has been fixed:-
   a) Issue of Nomination Paper - 01-12-2017 to 06-12-2017
   b) Last date of receiving Nomination paper duly filled in the Prescribed Form under sealed cover indicating Group Code at the Administrative Office of the Bank: - 09-12-2017 upto 4.p.m.
   b) Date of Scrutiny (Groupwise): i)Group A,B& C - 11-12-2017 11 a.m.
   ii)Group D,E & F - 12-12-2017 11 a.m.
   iii) Group G,H,I& J - 13-12-2017 11.a.m.
   iv) Group K. & L - 14-12-2017 11 a.m.
   c) Last Date of withdrawal of nomination paper if any . - 18-12-2017 (2 p.m.)
   d) Publication of Final List of contesting Candidates - 20-12-2017

II. Existing Shareholders of the Bank admitted upto 3-2-2016 are requested to make it convenient to attend the meeting in time.

By Order of the Board of Administrator.

(L. Binomala Devi)
Asst. General Manager

Notes:
1. Identity Cards of shareholders will be available from the Administrative Office of the Bank upto 2-2-2018. Norms /Guidelines for election, provisional list of eligible Candidates & voters, List of Shareholders admitted upto 3-2-2016 and prescribed nomination paper will be available from the Administrative Office during office hours at prices notified on the Notice Boards of the Bank.

Imphal, the 30th November 2017

HL-B/4251/1,2&3